HUEIYEN LANPAO
Monday, July 18, 2016, Imphal


# কূ ফেল ওইখ্রবা মতুংদা টর্কিনা জেনরেল অমসুং জজ কয়া ফাগৎখ্রে



ইস্টানবুল,জুলাই ১৭ (এজেন্সী)ঃ
প্রসিদেন্ট রেসেপ টায়ীপ ইর্দোগনবু মফমদগী চিংথুনবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবা মায় পাকখিদ্রবা মিলিটরি কূ অদুবু শৌগৎপনি হায়না মরাল শীরিবা জেনরেল কয়া অমদি সিনিয়র জজ অমসুং প্রোসিক্যুটর কয়া টর্কিশ ওথোরিটিশিংনা ঙসি কোয়থি থিদুনা ফাগৎখ্রে।

কূ অদুদা চেন্নবনি হায়না চিংনবা লান্মী ৩০০০ লোম গভর্ণমেন্টনা হান্ননা ফাজিন্দুনা থমখ্রবনি। ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদগী হৌখিবা কূ অদু মথংগী নুমিৎ থাংজগী অয়ুক্তা ফেল ওইবগী ফীভম লাকখিবনি।

এন টি ভি টেলিভিজননা হায়খি মদুদি, হৌজিক ফাওবদা মখল মখা কয়াগী গ্রেদশিংগী জেনরেল কয়া ফাজিল্লে। মখোয়গী মনুংদা থার্দ আর্মিগী কম্মান্দর ইর্দাল ওজটর্ক অমসুং মালাটয়াদা বেজ তৌবা সেকেন্দ আর্মিগী কম্মান্দর অদেম হুদুটি য়াওনা সিনিয়র ফিগর কয়া য়াওরি।

টর্কিশ ওথোরিটিশিংনা এয়রফোর্সকী সিনিয়র জেনরেল অমা অমসুং অতৈ ওফিসরশিং য়ু এস ফোর্সশিংনা সিরিয়াদা রেইদশিং চত্থবদা শীজিন্নবা এয়র বেজ অমদা ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়রি।

বৃগেদিয়র জেনরেল বেকির ইর্কান ভানগা লোয়নননা অতৈ লৱার রেঙ্কিং ওফিসর কয়া টর্কিগী সাউদর্ন অদানা প্রোভিন্সতা লৈবা ইনসিরলিক এয়র ফোর্স বেজদা ঙরাং ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়না হুরিয়েট দেলি য়াওনা পাউচেশিং অদুনা হায়খি।

মখোয় হৌজিক ইনভেষ্টি-গেটরশিংনা ৱাহং পাউহং চত্থরি হায়না রিপোর্টশিং অদুনা মখা তাখি। টর্কিশ ওফিসল অমনা থাংজ নুমিৎতা এ এফ পিদা হায়খি মদুদি, ইনসিরলিকপু হৌখিবা ইরাইগী অহিংদা কূগী শরো তৌবশিংনা হাইজেক তৌখিবা মিলিটরি এয়রক্রাফট রিফ্যুঅল তৌফম ওইনা শীজিন্নখি হায়না অঙ্কারানা চিংনখি।

হৌখিবা ২০১৫ দা টর্কিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু সিরিয়াদা লৈরিবা জিহাদিষ্টশিংগী মায়োক্তা শাথীরবা রেইদ কয়া চত্থবদা ইনসিরলিক শীজিন্ননবা অয়াবা পীখিবদগী বেজ অদু য়ু এস ফোর্সশিংগী মরু ওইবা হব অমা ওইরকখি। তৌইগুম্বসুং কূগী থৌদোক লাকখিবদগী বেজ অদু সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং অমা ওইনা লোকদাউন তৌদুনা কনামত্তা থোকহন্দনা অমদি চঙহন্দনা থল্লকখিবনি হায়না অদানাদা লৈবা য়ু এস কোন্স্যুলেটনা হায়খি। ওথোরিটিশিংনা কূঅদুবু শৌগৎপশিংনি হায়না চিংনবশিং কোয়থি থিরদুনা টর্কি অপুন্বগী মিলিটরি বেজশিংদা রেইদশিং পাঙথোকখ্রে। টর্কিশ মিলিটরিগী কাঙবু অমনা চত্থখিবা মায় পাকখিদ্রবা কূ অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৬৫ শিখি।

নোংমাইজিংগী অঙনবদা টর্কিগী ৱেষ্টর্ন টাউন দেনিজলিদা লৈবা গেরিসনদা পাঙথোকখিবা ওপরেসন অমদা মদুগী কম্মান্দর ওঝান ওজবাকিরবু অতৈ লান্মী ৫০ গা লোয়নননা ফাজিন্দুনা থমখি হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা এনাটোলিয়া ন্যুজ এজেন্সীনা হায়খি।

থি হুম্বা অমসুং ফাবা পূনবগী থবক্তু মিলিটরি খক্তংগী ওইখিদে। এনাদোলুনা হায়খি মদুদি, প্রোসিক্যুটরশিংনা টর্কি অপুন্বদা পূন্না জজ অমসুং প্রোসিক্যুটর ২,৭৪৫ ফাননবা ৱারেন্টশিং ইসু তৌখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা মীওই কয়া ফাজিনখ্রবগে হায়বা শেংনা খঙদ্রি তৌইগুম্বসুং প্রাইভেট দোগন ন্যুজ এজেন্সীনা হায়খি, সেন্ট্রেল সীটি কোনয়াদা হৌখিবা অহিংদা জজ অমসুং প্রোসিক্যুটর ৪৪ দিটেন তৌখ্রে অমসুং সাউথ ইষ্টর্ন সীটি গাজিয়ানটেপ ৯২ দিটেন তৌখ্রে।

ইনভেষ্টিগেসন অপুন্বদু অঙ্কারাগী প্রোসিক্যুটরশিংনা লুচিংখি অমসুং ফারবশিং অদু টর্কিনা কূ অদুবু মাষ্টর-মাইন্দ তৌবনি হায়না মরাল শীরিবা য়ু এসতা বেজ তৌবা প্রিচর ফেটুলা গুলেননা লীদ তৌবা গ্রুপ অদুগী মীওইশিংনি হায়না চিংনবশিংনি।

টর্কিনা গুলেনবু “ফেটুলাহসি টেরর ওর্গনাইজেসন” (ফেটো) কৌবা পেরেলেল ষ্টেট অমা শেমখ্রবা গ্রুপ অমবু লুচিংলি হায়না মরাল শীরি। অমরোমদা গুলেনগী সপোর্টরশিংনদি হিজমট (সর্ভিস) কৌবা মখোয়গী গ্রুপ অদু মপুং ফানা পিছফুল ওইবা গ্রুপ অমনি হায়রি।

# নীশ এটেক্কা মরী লৈননা মীওই ২সু ফাগৎখ্রে

পেরিস,জুলাই ১৭ (এজেন্সী)ঃ
ফ্রান্সকী বাষ্টীল দেদা লৈবাক অদুগী সাউদর্ন সীটি নীশতা চত্থখিবা মীওই ৮৪ শিখিবা লোরি এটেক অদুগা মরী লৈননা ফ্রেঞ্চ ওথোরিটিশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা নুপা অমগা নুপী অমগা ফাগৎলে হায়না সী এন এননা প্রোসিক্যুটর অমা পল্লদুনা ফোঙদোক্লি।

নুপা অমগা নুপী অমগা ফাবগী পাউ অদু এন্টি-টেররিজম প্রোসিক্যুটর অদুগী স্পোক্সপার্সন অমা ওইরিবা অগনিজ টিবোল্ট লেকুইভ্রিনা কনফার্ম তৌখি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংদা মোহম্মদ লাহৌৱেজ বৌলেল কৌবা মশাগী চহী ৩১ শুরবা টেররিষ্টনি হায়না লৌনবা ট্রক দ্রাইভর অমনা মেদিটরিনিয়ন সীটি অদুগী ৱাটরফ্রন্টদা বাষ্টীল দেগী মৈগী কুম্মৈ য়েংদুনা তিল্লিবা মীওই চা কয়াগী মরক্তা টন ২০গী ট্রক অমা অকনবা স্পীদতা থৌজিনখি।

ঈশিং মপানগী মী য়াম্না চিনখিবা খোঙনা চৎফম লম্বী লমশাং অদুদা মাইল অমরোম ট্রকতু থৌজিন্দুনা কুম্মৈ য়েংলিবা কয়া থোমদুনা অমসুং তকথৎতুনা হাৎখিবা বৌহলেলবু পুলিসনা কাপ্তুনা হাৎখি হায়না সী এন এননা ফোঙদোকখি। এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) গ্রুপনা ক্লেম তৌখ্রে।

হৌখিবা থাংজদা ফ্রেঞ্চ ওথোরিটিশিংনা মীওই অহুম ইরাই নুমিৎতনা মীওই অনী এটেক অদুদা চেন্নরম্বা য়াই হায়না চিংনদুনা ফাখি। ফাখিবশিং অদুগী মনুংদা বৌহলেলগী হান্নগী নুপীসু য়াওখি।

ফ্রেঞ্চ পুলিসকী স্পেসিয়েল ওপরেসন্স য়ুনিট অমগা জুদিসল পুলিসকী রিছার্স এন্দ ইন্টরভেন্সন বৃগেদ (বি আর আই)না মীফাশিংদু পাঙথোকখিবনি।

নোংমাইজিংগী অঙনবদা ফ্রান্সনা মীহাৎশিং অদুগী মতুংদা সিক্যুরিটিগী ফীভম ফগৎহন্নবা পুলিস রিজার্ভিষ্ট ১২,০০০ ফাওবা কৌখৎখি।

ফ্রেঞ্চ ইন্টরিয়র মিনিষ্টর বর্নার্দ কাজেনুৱিগী মতুং ইন্না, সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হাৎখিবা টুনিজিয়ন এটেক্কর অদু য়াম্না থুনা হকচিনবা ৱাখল্লোনশিং চেলহনখিবনি হায়বসি ইনভেষ্টিগেসন হৌবদা খঙলে।

# মদস্লাইদনা য়ুম কয়া মাঙ তাকহনখ্রে



বৈজিং,জুলাই ১৭ (এজেন্সী)ঃ
চাইনাগী হুনান প্রোভিন্সকী শরুক খরদা নোং কন্না চুবদগী চীং নিংখায়রক্তুনা খুঙ্গং অমগী য়ুম কয়া অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে।

ভিদিও ফূটেজনা চীংথক্তগী ঈশিং অমসুং লৈখোম লৈনাং ময়াম কন্না চেন্থরকপা অমসুং ময়ামদুনা উগী য়ুমশিংদা শাফু কন্না তাশিনবগী শক্তমশিং উৎখি। চীং নিংখায়রিবা মফম অদু চাইনাগী সিয়াংসি তুজিয়া মিয়াও ওটোনোমস প্রিফেকচরদনি।

ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা লমদম অদুদা লম্বী থোং কয়া থিংজিনখ্রে। লোকেল গভর্ণমেন্টনা অমাঙ-অতা থোক্লবা লম্বীশিং এক্সকেভেটরশিং শীজিন্নদুনা শেমখি। গাড়ী খরসু লম্বীদা ঈশিংনা থুমজিন্দুনা লৈখ্রে, তৌইগুম্বসুং মীশি-মীনা থোকপগী পাউদি লৈতে হায়রি।

হুনানগী গুজাং কাউন্টিনা খ্বাইদগী হেন্না ফীভম থীনা শোকখি। লমদম অদুদা লৈবা মোরোং টাউনদা নোংমাইজিংগী নুংথিল ফাওবদা নোং চুবগী চাং এম এম ১৯৯ য়ৌখি হায়রি।

ঙসিগী ঈচাও অমসুং চীং নিংখায়বা অদু চয়োল খরগী মমাঙদা সাউদর্ন অমসুং ইষ্টর্ন চাইনাদা নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৬১ শিখ্রবা মতুংদা থোক্লক্লিবনি।

# য়ুনিভর্সিটি প্রোফেসর য়াওনা কেফেগী এটেক্করশিংদা লৈফম শাল্লম্বা মীওই ৩ বাংলাদেশ পুলিসনা ফাগৎখ্রে

ধাকা,জুলাই ১৭ (এজেন্সী)ঃ
কেফেদা এটেক তৌদুনা মীওই ২০ তমথীনা হাৎখিবা টেররিষ্টশিংদা লৈফম শাল্লগা ওথোরিটিদা পাউ পীখিদবগীদমক্তা হৌখিবা থাংজদা ধাকাদা পুলিসনা য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর অমা য়াওনা মীওই অহুম ফাগৎখ্রে।

ধাকাদা লৈবা নোর্থ সাউথ য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর অমা ওইরিবা গ্যাস উদ্দিন অহশন, মহাক্কী মচানুপা থোকপা অমসুং অহশনগী এপার্টমেন্টগী মেনেজরবু ধাকা মেট্রোপোলিটান পুলিসনা ফাগৎখি। লম মপুশিংনা মখোয়গী লমদা/য়ুমদা লৈগদৌরিবা টেনান্টশিংগী মরমদা তঙাইফদনা পুলিসতা পাউ পীগদবনি হায়বা রুলশিং ঙাক্লমদবগীদমক্তা মখোয়বু পুলিসনা ফাগৎখিবনি হায়না পুলিসকী সিনিয়র ওফিসল অমনা রোইটর্জদা হায়খি। মীওই অদু নোংমাইজিং নুমিৎতা কোর্টতা পুথোক্কনি হায়না মহাক্না হায়খি।

হৌখিবা জুন ১ দা ধাকাগী কেফেদা থোমজিনখিবা মতুংদা পুলিসনা মমৈথংদা হাৎখিবা মিলিটেন্ট মঙাদুনা মে থাদা মনাক নকপা মী লৈনবা এরিয়া অমদা অতোপ্পা মীওই অমগা লোয়নননা এপার্টমেন্ট অমা ৱাইখি অমসুং মখোয়না মদুদা জুনদগী লৈবা হৌখি হায়না রহমননা হায়খি।

মখোয়না মফমদুদগী কেফে অদুদা এটেক তৌখিবনি। এটেক অদুগী মতুংদা চেনখিবা অতৈ মিলিটেন্টশিংসু লৈরম্মী হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

“মখোয়না এপার্টমেন্ট অদুদা গ্রেনেদশিং অমসুং অতৈ এক্সপ্লোসিভশিং থমখি হায়বগী ইভিদেন্সসু ঐখোয়না ফংলে। ঐখোয়দা মখোয় অদুদা লৈ হায়বদু খঙহল্লম্বা তারবদি তমথীরবা মীহাৎশিং অদু থোক্লমদবা য়াই লোয়নননা ঐখোয়না হৌজিক নাহ্লোকখ্রিবা অতৈ মিলিটেন্টশিং অদুসু ফারনম্বা য়াই।”

চহী অসিগী অঙনবদা ধাকা ম্যুনিসিপাল পুলিসনা ওর্দর অমা থোক্তুনা এপার্টমেন্ট মপুশিংদা মখোয়গী টেনান্টশিংগী মরমদা দিটেলস অপুন্বা পীখৎলক্নবা খঙহনখি। অৱাইবা য়ুমশিংবু মখোয়গী লোৎফম ওইনা শীজিন্নরিবা ক্রিমিনেলশিং অমসুং মিলিটেন্টগী মথক্তা মীফা-মীপুন তৌবদা মতেং ওইগদবা দাটাবেজ অমা শেম্নবগীদমক্তা পুলিসনা টেনান্টশিংগী মরমদা অকুপ্পশিং লৌনবগী খোঙথাং অদু পায়খৎলকখিবনি।

বাংলাদেশতা হৌখিবা চহী অমরোম অসিদা বাংলাদেশতা লিবরেল ব্লোগরশিং, য়ুনিভর্সিটি ওজাশিং অমসুং রিলিজিয়স মাইনোরিটিশিংদা হাৎপা-তুপ্পগী এটেকশিং পরিং নাইনা চত্থখি। সেক্যুলর দিমোক্রেসিবু ইস্লামিক সরিয়া রুলনা মহুৎ শীন্নবা হোৎনরিবা দোমেষ্টিক মিলিটেন্ট গ্রুপ অনীনা হাৎপা তুপ্পগী এটেকশিং অদু চত্থখিবনি হায়রি।

পুলিসনা কেফে অদুদা চঙশিন্দুনা হোষ্টেজ ১৩ কনবগা লোয়নননা এটেক্কর মঙাদুসু হাৎখি। মদুগী মমাঙদা টেররিষ্ট মঙাদুনা কেফে মনুংদুদা মীরৈবাক মচা ১৮ য়াওনা মীওই ২০ তমথীনা হাৎখি।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা ইন্টরিয় মিনিষ্টর অশাদুজামননা হায়খি মদুদি, ইনভেষ্টিগেটরশিংনা এটেক অদুগী মাষ্টরমাইন্দশিং মশক খঙবা ঙম্লে, থৌদোক অদুদা চেন্নবা লেমহৌরিবা মীওইশিং অদুসু অথুবা মতমগী মনুংদা ফারগনি।

এটেক্করশিংগী মনুংদা খরদি মমিং চৎলবা স্কুলশিং নৎত্রগা য়ুনিভর্সিটিশিংদা তমখি অমসুং মখোয় ময়ুম-ময়ুমদা হঙ্গিন্নরকখিদবগী পাউ লৈখি। মখোয়গী মনুংদা অমদি পোলিটিসিয়ন অমগী মচানি।

# সাউথ চাইনা সীগী রুলিং মতুংদা ভিয়েটনামদা এক্টিভিষ্টশিং ফাজিনখ্রে

হানোই,জুলাই ১৭ (এজেন্সী)ঃ
সাউথ চাইনা সীদা চাইনানা ক্লেম তৌরিবা অয়াম্বা চৎনবা য়ারোই হায়খিবা হন্দক্তা তাখিবা ইন্টরনেসনল রুলিং অমা চাইনানা রিজেক্ট তৌখিবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌনবা ভিয়েটনামগী কেপিটেলদা তিনখিবা এক্টিভিষ্ট কয়া ওথোরিটিশিংনা ফাজিনখ্রে।

চাইনাগী থৌওংনা মরম ওইদুনা কম্যুনিষ্ট ভিয়েটনামদা এন্টি-চাইনিজ সেন্টিমেন্ট ৱাংখৎলকখি, তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিগী ওথোরিটরিয়ন রুলরশিংনা খুৎলৈ থুনা খোঙথাং লৌখৎতুনা মীয়ামগী অশাওবা লাকশিন্নবা হোৎনখি। অসিগুম্বা প্রোটেষ্টশিংনা মখোয়গী লৈঙাকপু ক্রিটিসাইজ তৌনবগী থৌনা হাপখিবা য়াই হায়না কীবদগী প্রোটেষ্টরশিংদুবু ফাজিনখিবনি হায়রি।

চয়োল অসিদা হেগতা লৈবা পার্মিনেন্ট কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসন (পি সী এ)না পীখিবা রুলিং অমগী মতুংদা এক্টিভিষ্টশিংনা সোসিয়ল মিদিয়া শীজিন্নদুনা হানোইদা নোংমাইজিং নুমিৎতা পূন্ননবা পাউ ফাওনখি। পি সী এনা তাখিবা রুলিং অদুনা বৈজিংনা সাউথ চাইনা সীগী পাক চাউরবা মফম কয়া ক্লেম তৌরিবদুগী লিগেল ওইবা য়ুম্ফম লৈতে হায়খিবনি।

কেস অদু ফিলিপিন্সনা থাঙ্গৎলকখিবনি তৌইগুম্বসুং ইন্টরনেসনল কোর্টকী রুলিং অদু ষ্ট্রেটেজিক্কী ওইনা য়াম্না মরু ওইবা সী অদুদা চাইনাগা মান্ননা ক্লেম কয়া তৌরিবা ভিয়েটনামগুম্বা অতৈ রিজনেল লৈবাকশিংগী ওইনদি য়াম্না কান্নরবা তাঙ্গা অমা ওইখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা ওথোরিটিশিংনা কেপিটেল হানোইদা প্রোটেষ্টকীদমক্তা শেম শাখি। ফিজম শেৎপা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা সীটিগী ময়াই থংবা শরুক অপুন্বা ঙাক শেনখি। মখোয়না ঈরাং থোক্লক্লিংঙাই ওইবা মওংদা মীশিং পূনশিল্লকপনচিংবা কোয়শেন শেন্নদুনা লৈখি হায়না এ এফ পিগী রিপোর্টর অমনা মফমদুদগী ফোঙদোকখি।

সীটি অদুগী দেমোন্সট্রেসনশিং পাঙথোকফমনি হায়না লৌনবা মমিং চৎলবা হোন কিএম পাৎকী মনাক্তা প্রোটেষ্টকীদমক্তা পূনখিবা এক্টিভিষ্ট ৩০ রোম সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা য়াম্না থুনা হান্না ঙাইদুনা লৈবা বসশিং অমসুং কারশিংদা চঙহনখি। মখোয় খরনা চাইনাগী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাউখি।

নোংমাইজিংগী খরা থেংজিল্লকপদা এক্টিভিষ্ট মাপনগী গ্রুপ অমনা ফিলিপিন্সকী এম্বেসিগী মপানদা ঙাইহাক্কী ওইনা রেলি অমা পাঙথোকখি। মখোয়গী মনুংদগী অমনা ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা পায়খিবা বেন্নর অমদা “থাগৎচরি ফিলিপিন্স। নখোয়গী থৌনা ফরবা গভর্ণমেন্ট অমা লৈ।” হায়না ইখি।

# সিরিয়াদা ট্রুস চৎনদে, অলেপ্পোদা এয়র রেইদশিং চত্থবদা অঙাং য়াওনা মীচম কয়া শিখ্রে, হোস্পিটাল থুগায়খ্রে

অলেপ্পো, জুলাই ১৭ (এজেন্সী)ঃ
সিরিয়াগী অচৌবা লানবুং অমা ওইরবা অনীশুবা সীটি অলেপ্পোগী রেবেলশিংনা পায়শিন্দুনা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা হৌখিবা থাংজদা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চত্থবদা অঙাং কয়া য়াওনা য়ামদ্রবদা মীচম ২৫ শিখ্রে হায়না মোনিটর অমনা ফোঙদোক্লি।

সীটি অদু নুমিৎ চুপ্পা অমা বোম থাদবগী মখোলশিংনা পুমনিল নীলহনখিবগা লোয়নননা অশিবা মীগী মশীং হেনগৎলকখি হায়না সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খি।

“ওল্ড অলেপ্পোগী বাব অল-নসর এরিয়াদা নোংয়াই মতুংদা এয়র রেইদশিং চত্থবদা অঙাং মরি য়াওনা মীচম ১১ শিখি অমসুং অতৈ মীওই ৭ না ফারদৌসতা শিখি” হায়না মোনিটর অদুনা হায়খি।

অলেপ্পোগী রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা অল-মাদি দিষ্ট্রিক্টতা এয়রষ্ট্রাইক অমা চত্থখিবা মতুংদা মীশিংনা বিল্ডিং অকায়-অতোয় মরক্তা হিংহৌবা মীশিং থিখি।

অতৈ রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা এয়র রেইদশিং চত্থবদা অঙাংশিং য়াওনা মীওই তরেৎ শিরে। মখোয়গী মনুংদা অহুমদি সলহিন দিষ্ট্রিক্টতা শিখিবনি হায়না বৃটেনদা বেজ তৌবা মোনিটর অদুনা হায়খ্রে।

সিরিয়াগী মফম কয়াদা লৈবা ছোর্সশিংগী নেটৱার্ক অমদগী পাউ লৌবা ওবজার্ভেটরি অদুনা হায়খি এয়রষ্ট্রাইকশিং অদু রশিয়ন নৎত্রগা রেজিমগী ৱারপ্লেনশিংনা চত্থখিবা ওইরম্বা য়ানা লৈ।

“য়ামদ্রবদা মীওই ২০ অকায়-অতোয় মরক্তা ফুমজিন্দুনা লৈরি” হায়না ওবজার্ভেটরি অদুগী মকোক রামি অবদেল রহমননা হায়খি।



সিরিয়ন ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সী সানাগী পাউনা হায়খি মদুদি, সীটি অদুগী গভর্ণমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা শরুকশিংদা রেবেলশিংনা রোকেট কাপশিনবদগী মীওই অমা শিখ্রে অমসুং মাপননা শোকখ্রে।

ইষ্টর্ন অলেপ্পোদা এ এফ পিগী করেস্পোন্দেন্টনা হায়খি, হেলি-কোপ্টরশিং অমসুং ফাইটর জেটশিংনা রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা মী তাবা মফমশিং কোয়শিন্দুনা লৈরি, মফম কয়াদা বেরেল বোমশিং, ক্রুদ, অনগাইদেদ এক্সপ্লোসিভ দিভাইসশিং থাদখি।

বোম্মিং অদুদা মাদিগী মী তাবা মফম অমদা লৈবা হোস্পিটাল অমা বোম্মিং অদুদা হিট তৌখি অমসুং ষ্টাফ মেম্বর খরা অমসুং মনুংদা লৈবা পেসিয়েন্ট খরা শোকখি।

“হোস্পিটাল অদুদা বোম্মিং তৌবদা মখল খুদিংমক্কী খুৎলায়শিং শীজিন্নখি। এয়রষ্ট্রাইকশিং অদু নোংয়াই মতুংদগী অয়ুক পুং ১১ ফাওবা চত্থখি। হৌজিক মদু শীজিন্নবা য়াদ্রে” হায়না মোহম্মদ খেইর কৌবা দোক্টরশিংদুগী মনুংদগী অমনা এ এফ পিদা হায়খি।

মেদিকেল ষ্টাফকী মরক্তসু অশোক-অপন থোকপা খরা য়াওখি তৌইগুম্বসুং মখোয় লাইবক ফবদগী খজিক খরাক্তমক শোকপা ঙাক্তনি। অমুবা রোব শেৎপা খোঞ্জেল হৌনা কপখিবী নুপী অমনা হোস্পিটাল অদুগী ফ্লোরদা দোক্টরশিংনা ট্রিটমেন্ট পীরিবা ঈহিং-নাইহিংনা য়োল্লবা নহা অমগী মখোঙদা কন্না পায়নবা হোৎনখি।

মশুপ-মশুপ্পবা মেটল ফ্রেমশিং অমসুং অকায়-অতোয় নংলবা মেদিকেল ইক্কিপমেন্টশিং কাদুদা চাইরগা লৈখি। অদুগুম্বা খুৎলায় খরদি তুংদুনা লৈবা ঈখেং খরগী মনাক্তা তাখি। অসুম্না সীটি অদুদা ট্রুস তৎতনা থুগায়খি হায়রি।



HL-B/3146/18/06-17/07

# EMPLOYMENT NEWS

## JOIN INDIAN ARMY RECRUITMENT 2016 OFFICER (MILITARY NURSING SERVICE) VACANCIES

Indian Army invites Application from Female candidates for grant of Short Service Commission in the Military Nursing Service (MNS) 2016. Apply Online before 03 August 2016.
Job Details For Indian Army :
Post Name : Short Service Commission (SSC) Officer in Military Nursing Service (MNS)
No. of Vacancies : Not Specified
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 5400/-
Eligibility Criteria to join Indian army Recruitment :
Educational Qualification : Candidates Should have passed MSc (Nursing) /PB B Sc (Nursing)/ B Sc (Nursing) from INC recognized University and be a registered Nurse and Midwife from a State Nursing Council.
Nationality : Indian
Age Limit : Between 02 Aug 1981 and 03 Aug 1995 (Both days inclusive)
Job Location : All India
Selection Process : Candidates will be selected based on Written test, Interview & Medical Examination.
Application Fee : Candidates have to pay Rs. 200/- through payment gateway from the system for making the payment.
How to Apply Indian Army Vacancy : Interested Candidates may apply online through the website www.joinindianarmy.nic.in from 18.07.2016 to 03.08.2016.
Important Dates to Remember :
Starting Date For Submission Of Online Application : 18.07.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 03.08.2016
Important Links :
Detail Advertisement Link : http://www.davp.nic.in/WriteReadData/ADS/eng_10601_18_1617b.pdf

## AIRPORTS AUTHORITY OF INDIA – AAI RECRUITMENT 2016 – 60 JUNIOR ASSISTANT (FIRE SERVICE) VACANCY

Airports Authority of India (AAI) invites application for the post of 60 Junior Assistant (Fire Service) NE-4 level at various airports in the above states in Northern Region. Apply Online before 08 August 2016.
Advt. No. : 01/2016
Job Details :
Post Name : Junior Assistant (Fire Service)
No. of Vacancy : 60 Posts
Pay Scale : Rs. 12500-28500/-
Eligibility Criteria for AAI Recruitment :
Educational Qualification : 10th Pass and 3 years approved regular Diploma in Mechanical / Automobile / Fire with minimum 50% marks OR 12th Pass (Regular Study) with 50 % marks
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 30 years As on 30.06.2016
Age Relaxation :
SC/ST Candidates : 5 years
OBC Candidates : 3 years
Job Location : All India
Selection Process : Selection will be based on Online examination, physical measurement, driving test and physical endurance test.
Application Fee : Candidates belonging to General and OBC category have to pay Rs.1000/- through System Generated Challan of SBI only. No application fee is required to be paid by Female/SC/ST/Ex-serviceman candidates.
How to Apply AAI Vacancy: Interested candidates may apply Online through the website www.aai.aero from 08.07.2016 to 08.08.2016 (For Step-I) and 13.08.2016 for (For Step-II).
Starting Date for Submission of Online Registration : 08.07.2016
Last Date for Submission of Online Registration (Step-I) : 08.08.2016
Last Date for Submission of Online Registration (Step-II) : 13.08.2016
Last Date for Depositing Examination fee at SBI : 11.08.2016
Important Links :
Detail Advertisement Link : https://www.digialm.com/EForms/pdf/onlineAppForm/form4863/ADVT%20FS1.pdf
Apply Online : https://www.digialm.com/EForms/html/form4863/instructionsPage.html

## AAI RECRUITMENT – 08 SENIOR ASSISTANT & ASSISTANT VACANCY – LAST DATE 04 AUGUST 2016

Airports Authority of India (AAI) invites application for the post of 08 Senior Assistant & Assistant Vacancies for PWD candidates. Apply Online before 04 August 2016.
Advt. No. : 01/2016
Job Details :
Post Name : Senior Assistant (Steno/Finance)
No. of Vacancy : 05 Posts
Pay Scale : Rs. 14500-33500/-
Post Name : Assistant (Office)
No. of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Rs. 13400-30500/-
Eligibility Criteria for AAI Recruitment :
Educational Qualification :
For Senior Assistant : Graduate preferably B.Com with computer training course of 3 to 6 months with 2 years relevant experience in the concerned discipline or Graduate with 80 I4O w.p.m. speed in Shorthand/Typing with 2 years experience and computer Proficiency.
For Assistant : Graduate with typing speed 40 wpm with computer knowledge with 2 years relevant experience in the concerned discipline.
Nationality : Indian
Age Limit : 40 years As on 30.06.2016
Age Relaxation :
SC/ST Candidates : 5 years
OBC Candidates : 3 years
Job Location : All India
Selection Process : Selection will be based on Online examination & Trade Test.
How to Apply AAI Vacancy: Interested candidates may apply Online through the website www.aai.aero from 14.07.2016 to 04.08.2016 (For Step-I) and 08.08.2016 for (For Step-II).
Starting Date for Submission of Online Registration : 14.07.2016
Last Date for Submission of Online Registration (Step-I) : 04.08.2016
Last Date for Submission of Online Registration (Step-II) : 08.08.2016
Important Links : Detail Advertisement Link : http://www.aai.aero/employment_news/SRD_Notification_1july16.PDF

## GOA POLICE RECRUITMENT 2016 181 POLICE SUB-INSPECTOR, POLICE CONSTABLE & VARIOUS VACANCIES

Goa Police invites Application for the post of 181 Police Sub-Inspector, Police Constable & Various Vacancies. Apply before 08 August 2016.
Job Details :
Post Name : Police Sub-Inspector
No. of Vacancy : 34 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade pay : Rs. 4200/-
Post Name : Police Constable
No. of Vacancy : 119 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade pay : Rs. 1900/-
Eligibility Criteria for Goa Police Recruitment :
Educational Qualification :
Police Sub-Inspector : Degree of recognized university or equivalent or Higher secondary school certificate examination with Diploma in Security and Investigation technology.
Police Constable : Secondary school certificate examination or equivalent qualification.
Nationality : Indian
Age Limit : As on 08.08.2016
For Police Sub-Inspector : 20 to 28 years
For Police Constable : 18 to 22 years
Job Location : Goa
Selection Process : Selection will be made on Written Examination.
Application Fee : Candidates belonging to General have to pay application fee Rs. 200/- & Rs. 100/- for SC/ST/OBC/ Ex-Serviceman/ PWD/CFF candidates through cash deposit.
Application Form : Prescribed Application forms are available Goa Police Welfare Society, Administrative Block, GRP Camp, Altinho,Panaji Goa from 09:30 hours to 17:30 hours on all working day.
How to Apply Goa Police Vacancy : Interested candidates may apply in prescribed application form along with photocopies of relevant documents send to The Superintendent of Police, Police Headquarters, Panaji -Goa on or before 08.08.2016.
Last Date For Submission of Application : 08.08.2016
Detail Advertisement Link : http://www.goapolice.gov.in/documents/2.pdf